**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-08-2025)**

**কিষান (এল)ঃ** মালেমগী লৌমীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী খ্বাইদগী চাউবা, কিষান সমান নিধি য়োজনাগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী শেন্থং ঙসি দাইরেক্তে বিনিফিট ত্রান্সফর (দি.বি.টি) গী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ দা ফংহনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা বরানাসিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা য়োজনা অসিগী শেনফমশিং লৌমীশিংদা ফংহন্নবা অয়াবা পীখিবনি। ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্ট অসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ২০,৫০০ গী শেনফম লৌমীশিংগী মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হাপখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পি.এম. কিষান সমান নিধি অসি মহাক্কী সরকারনা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়বদুগী খুদম অমনি। হৌখিবা চহি তরা অসিদ লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি বরানাসিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লুপা কোতি লিশিং ২,২০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ৫২ গী উরেপ উয়ুং তমখি, খরগীনা শঙ্গাখি।

মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাসু বরানিসিদা পাঙথোক্লিবা পি.এম. কিষান স্কিমগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্ট পীবগী থৌরমদা ভরচুয়েলগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

ইম্ফালগী রাজ ভবননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-স্কিম অসিনা কোনশিল্লিবা লৌমীশিংদা চহি অমদা লুপা লিশিং তরুক মশাগী অধার লিঙ্ক

তৌরবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হাপলি। ইং ২০১৯ দা স্কিম অসি হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবা লুপা কোতি লাখ অহুম হেন্না লৌমীশিংদা তাঙ্কক ১৯ থোকা ফংহনখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (এগ্রীকলচর) অরুন কুমার সিনহা, রাজ্যপালগী সেক্রেটরি-সুমন সিংহ অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ.রিজন-মনিপুর সেন্টর অমসুং মসিগী লোইশঙ অমা ওইরিবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) না পি.এম. কিষান দিবস থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি-ইরোইশেম্বগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রা শরুক য়াখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পি.এম. কিষানগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্ট পীবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। চান্দেল জিলাগী ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা লৌমী ১০৭ শরুক য়াখি।

তমেংলোং জিলাদসু আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে. তমেংলোং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিস অনিনা পুন্না শিনদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লৌমী ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

কে.ভি.কে. সেনাপতিনসু হেনবুংদা লৈবা কেম্পসতা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বি.জে.পি. সেদ্যুল ত্রাইব মোরচাগী নেসনেল স্পোক্সপার্সন-কে.এস. খাইয়ি লিও শরুক য়াখি।

থৌরমশিং অদুদা শরুক য়াখিবা বিনিফিসরিশিংদা হার অমদি মরু-মরাংশিংসু য়েন্থোকখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** প্লান্নিং এন্দ ফাইনান্স অমদি হকশেল বিভাগকী মকোক থোংবা

ওফিসিএলশিংনা লুচিংবা মীওই তরানা শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চৎতুনা হৌজিক পায়খৎলিবা পি.এম. দিভাইন্দ সুপুর স্পিসিয়েলিতি প্রোজেক্ট য়েংশিনখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুবু লুচিংলিবা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চম্বো গোলমৈনা হায়-প্রোজেক্ট অসি খুমাং য়াংনা পায়খৎলি, অপিবা মতমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি। পোজেক্ট অসিগী মখাদা ও.টি., ক্রোমা য়ুনিট, সুপর স্পিসিয়েলিতি, ও.পি.দি অমসুং এন.সি.বিগী ব্লোক শাবগী থবক পায়খৎলি।

**সর্ভে (এল)ঃ** হম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা শাজিল্লিবশিং তকথোকপা ঙসি রিমস লম্বীদগী হৌরগা রিমস কান্টিন লম্বী ফাওবা ইভিক্সন সর্ভে চথখ্রে।

সর্ভে অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলাংবম রাজকুমারনা লুচিংদুনা চথখি। অমরোমদা, জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম-কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনগী নিংথেমচা কারোং ফাওবা অমদি মফম অসিদগী ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুল ফাওবগী লম্বীগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং শিদোক বা অমসুং নুঙ-লৈঙোই য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎ-চৈ থল্লিবশিং লৌথোকবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী খঙহনখ্রবনি।

ইম্ফাল ময়োলগী ওইনা নাউরেমথোং মপাদগী তেরা কৈথেল ফাওবা অমদি সিপেট লম্বী অমসুং লমফেল সনা কৈথেলগী ওফিসার ক্লব সার্কলদগী থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাই ফাওবগী মনুংদা লৈবা আইন কায়না শাজিনবশিংসু লৌথোকবা খঙহনখি হায়রি। সর্ভে তৌরবা মতুংদা মশা মশানা শিদোকচনবা হায়বা অসিদা য়ানিংদবা লৈরবদি ইঙ্খোল পাট্টাগা লোয়ননা এস.দি.ও. ওফিসতা লাক্তুনা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা পোরোম্পাৎ দি.সি. কমপ্লেক্স তাবা লম্বীগী ত্রাফিক ক্রোসিং পোইন্টতগী অয়াংপল্লি লম্বীগী মুতুম লৈকাই

ফাওবগী মনুংদা লৈবা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা শারিবশিং ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকী কাংবুগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা লোয়ননা তকথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি নহাশিংদা শক্তি শিন্ননবা পান্দমদা ককচিং জিলাগী কল্যান আশ্রমদা লৈরিবা অঙাংশিংদা ফ্রেন্দসিপ ডে পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুল-ককচিংগী মহৈরোইশিংনা আশ্রম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংদা খুদোলপোৎশিং পীখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজি দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, সেনাপতি, কামজোং, থৌবাল, তেংনৌপল য়াওনা মফম খরদা ঙসি নোং চুরগনি হায়রি। উখ্রুল জিলাদদি লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসি লেপ্তুনা ফিভম অসি মায়োকগদৌরি হায়রি।

জিরিবাম-নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, সেনাপতি অমসুং তমেংলোংদা হয়েং অমসুং হংচিৎ অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

**অসামঃ** অসামদা চেল্লিবা কোপিলি তুরেলগী শরুকশিং নেসনেল ৱাটরৱেজ-৫৭ ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে। ঙসি চন্দ্রপুরগী গোরবরধন থোংদগী খা থংবা সমারা হাসিং গিমারি ফাওবা সিমেন্ট মেত্রিক টোন ৩০০ হেন্না পুদুনা হৌদোকখি।

কেন্দ্রগী পোর্ট, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দ সোনোৱালনা সিমেন্ট পুবা জহাস-এম.ভি. ভি.ভি.গীরি লমথাখি। নেসনেল ৱাটরৱেজ অসি চৎনহনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অদুগী পুন্না কিলোমিটর লিশিং

১,১৬৮ কী নেসনেল ৱাটরৱেজ লৈরে। হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-ৱাটরৱেজ অসি চৎনহনবা অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি অমদি গাড়ি চিনবগী সমস্যাসু কোকহল্লগনি।

**নদ্দাঃ** হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-হৌখিবা চহি অসিদা লৈবাক অসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎশিং ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি। মীওই লিশিং ১৮,৯০০ লোম ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা ঙমখি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডে থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-২০২৩ দা মীওই লাখ অহুম হেনবনা মশাগী কয়াৎ দান তৌগনি হায়না নুমিৎ অসিদা ৱাশক লৌখি। মহাকা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা হকচাংগী কয়াৎশিং ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা অহুমশুবদা লৈরি।

শ্রী নদ্দানা হায়-হকচাংগী কয়াৎশিং, মীওইবগীদমক দান তৌবা ঙল্লিবা অসি তশেংনমক য়ামা থৌনা ফবা মীওইশিংনি। থৌরম অসিদা মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিং মীয়ামদা দোনেট তৌবা অমসুং অতোপ্পা মীওইদগী হকচাংগী কয়াৎকী মতেং ফংবা মীওইশিংসু ওকখি।

থৌরমদুদা, মনিপুরনা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদা হকচাংগী কয়াৎশিং দান তৌবা অমদি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবগীদমক মনা পীদুনা ইকায় খুমখি। ষ্টেট হেলথ এজেন্সিগী ইনর্ফোমেসন এদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি) গী মেনেজর-রিনসোফি চামরোইদা হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা মনা অদু খুৎশিন্নখি।

**ইয়ারক্রাফটঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী মিলিটরিগী পোৎলমশিং পুবা ট্রান্সপোর্ট ইয়ারক্রাফট-ইয়ারবস সি-টু নাইন ফাইব, ১৬ ভারত্তা খুৎশিন্নখ্রে। ইয়ারক্রাফট ১৬ অসি স্পেননা শাবনি।

স্পেনগী সিভিলদা পাঙথোকপা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা ভারতকী

রাস্ত্রদুট-দিনেস কে. পটনায়ক অমদি ইন্দিয়া ইয়ার ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। ইয়ারেবস ১৬ অসি হান্না পান্নরম্বা মতমদগী থা অনি ঙনখৎনা ভারত্তা শিন্নরকপনি। মমাং চহিগী ওক্তোবর থাদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি স্পেনগী প্রধান মন্ত্রি-পেদ্রো সানচেস অনিনা গুজরাটকী বদোদারা টাটা ইয়ারক্রাফট কমপ্লেক্সতা সি-টু নাইন ফাইব ইয়ার বস ৪০ শাননবা সহি তৌনখিবনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি ভবনগী মনুংদা লৈবা অমরিত উধিয়ান, থা অসিগী ১৬ তগী মথং থাগী ১৪ ফাওবা মীয়ামগীদমক হাংলগনি হায়রি। রাস্ত্রপতিগী সেক্রেটরিয়েটতগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়-লৈকোল অসি মীয়ামনা য়েংবদা খুদোংচানবগীদমক অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা হাংগনি হায়রি।

চহি অসিগী ওইনা আম্রিট উদ্যানদা চংল্লকপদা বার বাটিকা, হরবর গার্দেল অমসুং সেন্ত্রেল লোনশিং য়াওনা য়েংবা য়াগনি। থা অসিগী ২৯ দা নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা শান্ন খোৎনবগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমসুং মথং থাগী সেপ্তেম্বর ৫ দনা ওজাশিংগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবা ফংহনগনি।

**কোর্টঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ঐচ.দি. দেবেগোরাগী মশুনুপা অমদি জনতা দল সেক্যুলরগী এম.পি. প্রজোৱল রেবানা, স্পিসিএল কোর্ট অমনা নুপী অমগী ইকায় খুমবা মাঙহল্লি হায়বগী মরালদা পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে।

স্পিসিএল কোর্ট অদুগী জজ-সন্তোস গজানন্দ ভটনা মহাক্কী জজমেন্টতা হায়-মরাল লৈরবা প্রজোৱলনা মহাক্কী ফম অদুগী অরানবা মওংদা শিজিন্নদুনা চহি ৪৭ শুরবী নুপী অমগী ইজৎ মাঙহনখিবনি। কোর্টনা মঙোন্দা লুপা লাখ ১০ গী ফাইনসু থিহনগনি।

**য়ুপিআই ঃ** ভারতকী দিজিটেলগী খুথাংদা শেল থাদোক থাজিনগী য়াঙলেন-শরু ওইরিবা য়ুনিফাইদ পেমেন্ট ইন্টরফেস (য়ু.পি.আই) গী চাং হৌখিবা জ্লাই থাদা পুন্না লুপা কোতি লাখ ২৫ হেনবগী শেনফমশিং ওইগদবা ত্রান্সজেক্সন লিশিং ১,৯৪৭ হেন্ন তৌখি।

মসি হৌখিবা চহিদগী চাদা ৩৫ হেনখি। জ্লাই থাদা য়ু.পি.আইগী ত্রান্সজেক্সনগী চাং ৱাংখিবা অসিনা মীয়ামনা দিজিটেলগী খুথাংদা অকিবা লৈতনা শেল থাদোক থাজিন তৌরে হায়বদু তাক্লি।

**ফুটবোল ঃ** চহি ১৩ মখাগী অসমিতা সিটি ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬, হয়েংদগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।

ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা লিগ অসিদা টিম ৮ না নোকআউট ফোরমেটতা শান্নরগনি।

**ফুটবোলঃ** ইন্দিভর এফ.সি. ৱাংজিংনা বেসো ত্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইরে।

ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন-খোংজোম সারকলনা হৌখিবা কুমজা ২০২৩ গী এপ্রিল থাদগী হৌরগা থৌবাল জিলাগী তেকচম গ্রাউন্দদা পুন্না টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এন্দিভর এফ.সি. ৱাংজিংনা বোড়ো এফ.সি-শিংজমৈবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখিবনি।

**চেপাক ঃ** থাইলেন্দগী হটয়াইদা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা কিংস কপ ৱার্ল্ড চেপাক তাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শেঞ্জেংগী তকমান ফংল্লকখ্রবা ভারতকী টিমদা শরুক য়াখিবা সাই এস.দি.সি. ইম্ফালগী শান্নরোই ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খুম্মন লম্পাক সাই এস.দি.সি. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নসি অসিদা শরুক য়ারুবা সাইগী শান্নরোই-অশোক অমদি হান্না

ইনমেট-এস. মালেমঙানবদা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।